# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ ফকচেৎ

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

ঐখোয় অয়াম্বনা থোইদোক্লা থাজরুদে অমসুং থিজিল্লুদে মদুদি ফকচেৎ পাম্বী অসি ঐখোয় মীওইবনা অনা-লায়েং মখল কয়ামরুমদা শীজিন্নে অমসুং হীদাক্কী ওইবা মগুনশিং শীংথানিংঙাই ওইনা য়াওই হায়বসি। ফকচেৎ পাম্বী অসি ইংলিসতা ক্রীপীং চেফৱীড (**Creeping chaffweed**) নত্রগা খাকী ৱীড (**Khaki weed**) নৎত্রগা দুৱার্ফ কোপ্পরলিফ (**Dwarf Copperleaf**) নৎত্রগা রেবীত ৱীড (**Rabbit weed**) নৎত্রগা জোয়-ৱীড (**Joyweed**), হিন্দিদা গরুন্দী (**Garundi**) নৎত্রগা গুরু (**Guroo**), তামীলদা পোনানগানী (**Ponnanganni**), মারাথীদা কোইপা (**Koypa**), শিনহালিদা মুকুনুৱেন্না (**Mukunuwenna**), স্পেনিষ্টতা কোলকোন দি নিনো (**Colchon de nino**) নৎত্রগা কোয়ুন্টুরা (**Coyuntura**), ফ্রেন্সতা ব্রেড চেভ্রেতী (**Brede Chevrette**) নৎত্রগা সেরেন্তী (**Serenti**), চাইনিজদা লিয়ন জী কাও (**Lian zi cao**), কম্বোদিয়াদা ফেক ফিয়ু (**Phak phew**), ইন্দোনেসিয়াদা বায়েম ক্রেমা (**Bayem Kremah**), জপানিজদা সুরুনোগীতো (**Tsurunogeito**), লাওসতা খাইক্স পেদ (**Khaix ped**), নেপালিদা ভিরঙ্গিজার (**Bhirangijhar**), ফিলিপিন্সতা বোঙ্গা-বোঙ্গা (**Bonga-bonga**), থাইদা ফাকপেত খাও (**Phakpet khaao**), সাইনটফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *অলতর্নেনথেরা সেসিলিস* ***(Alternathera sessilis (Linn.) R.Br. ex DC)*** নৎত্রগা *অলতর্নেনথেরা দেন্তীকুলাতা* ***(Alternanthera denticulata R. Brown)*** নৎত্রগা *অলতর্নেনথেরা গ্লাব্রা* ***(Alternanthera glabra Moq.)*** নইত্রগা *গোম্ফ্রেনা সেসিলিস* ***(Gomphrena sessilis Linn)*** নৎত্রগা *ইলেসেব্রম সেসাইল* ***(Illecebrum sessile Linn)*** হায়না কৌই অমসুং চেংক্রুক পাম্বীগী শাগৈ হায়বদি *অমরেন্থসী* ***(Amaranthaceae)*** দা চল্লি।

ফকচেৎ হায়রিবা পাম্বী অসি চহী ১দগী চহী খরা পুন্সিবা ফুট ৩ ফাওবা ৱাংবা লৈমায়দা পাকথনা নৎত্রগা চপ থুংনা হৌবা পাম্বী অমনি। পাম্বী অসি ঈশিংদা নৎত্রগা চোৎ-চোৎ লাওবা মফমশিংদা নীংথিজনা মপুং ফানা হৌজরবসু য়াম্না কংবা কংফালগী মফমশিংদসু অদুমক নীংথিজনা হৌবা ঙম্মী। পাম্বী অসি ঈশিংগী মথক্তা ফুমদীদা মপুং ফানা হৌবা থেংনৈ। পাম্বী অসি মতাং-মতাং (**Nodes**) পাল্লি অমসুং মতাংশিং অসিদগী মরা চোমদুনা শন্দোক্তুনা হৌবা ঙম্মী।

ফকচেৎ পাম্বী অসি খরা শারপ তৌবা ত্রোপিকেলগী লমদমশিং মালেমগী অয়াম্বা মফমশিংদা পাক-শন্না হৌই। পাউদম অমগী মতুং ইন্না ফকচেৎ পাম্বী অসি খা অমসুং নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াদগী হৌরকখিবনি। অদুবু চাইনাদগী ফোঙলকপা পাউদমশিংগী মতুং ইন্না ফকচেৎ পাম্বী অসি চাইনাদগী হৌরকখিবনি হায়না। অদুবু ইকুই কুইদ্রিবা **Sanchez del Pino** অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ২০১২দা পীখিবা পাউদমগী মতুং ইন্না ফকচেৎ পাম্বী অসি খা অমেরীকাদগী হৌরকখিবনি। অদুম ওইনমক ঙসিদি ফকচেৎ পাম্বী অসি মালেমগী অয়াম্বা মফমশিংদা পাক-শন্না শন্দোক্তুনা হৌখরে।



ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি ফকচেৎ পাম্বী অসি ৱীড হায়বদি হাজোংবা পাম্বী অমা ওইনা মফম অয়াম্বদা মরাং কায়না হৌবা ঐখোয়না থেংনৈ। হিমালয়গী লমদমশিংদা ফকচেৎ পাম্বী অসি মিটর ১২০০ ৱাংবা মফমশিং ফাওবদা হৌই।

ফকচেৎ পাম্বীগী হীদাক্কী ওইবা মগুনশিং থোইদোক্লা শীংথানিংঙই ওই। লোনিকা (**Lonika**) হায়না মমিং য়াম্না চৎলিবা অয়ুর্বেদিক্কী অশোক-অপন তৌবা, পুক নুংশিৎ কাবা, লোক থুংবা, ঈশিং পুকচৎপা অমসুং হরা-কংখু তৌবদা লায়েং হীদাক ওইনা শীজিন্নরিবা হীদাক অসি শাবদা ফকচেৎ পাম্বী অসি মরু ওইবা মচল অমা ওইনা য়াওরিবনি। পাউদম অমগী মতুং ইন্না বিহারদদি ফকচেৎ পাম্বী অসি নাইত ব্লাইন্দনেস (**Night blindness**) হায়না খঙনবা নুমিদাংগী মতমদা উবা ঙমদবা লায়না অসিদা লায়েং হীদাক ওইন শীজিন্নৈ। চাথৎপা অমদি মৈনা পোকপদা ফকচেৎ পাম্বী অদু ফজনা ঈশিংদা চামথোক্লগা শুগাইদুনা শেম্বা মলম অদুনা চাং নাইনা তৈবদা থুনা ওইশিনহনবগী মথক্তা উনশা অদু মহৌশাগী মচুদা হঞ্জিনহনবা ঙম্মী। ফকচেৎ পাম্বীগী অনৌবা মতোন অদু ঈশিংদা ফুৎলগা শেম্বা মহী অদু পীথকপদা চাবা তুমদমা অসি ফহনবগী মথক্তা য়াম্না হাওনা এঙ্গাং অমা ওইনা পাম্না চান্নে। নোংপোক থংবা বিহারদা খুন দারিবা পাহারিয়া অমসুং সন্থালিস ট্রাইবেলশিংনা নুপানা য়াম্না তোয়না ফম্বী চৎলবদি ফকচেৎ পাম্বীগী মরা অদু শেংনা চামথোক্লগা এলসতোনিয়া স্কোলারিস (**Alstonia Scholaris**) হায়না খঙনবা ঐখোয়নদি ছাতিন পাম্বী হায়না কৌনবা পাম্বী অসিগী মরাগা চাং মান্ননা লৌরগা শুগাইরগা শঙ্গোমদা তীংদুনা লৌবা মহী অদু নোংমদা গ্লাস অনীগী চাংদা পীথক্তুনা লায়েংবগী পাউদম লৈ।




অশোক-অপন তৌবদা ফকচেৎ পাম্বীগী মরা অদু শুগাইরগা শেম্বা মলম অদুনা চাং নাইনা তৈবদা য়াম্না থুনা ওইশিনহনবা ঙম্মী। পাউদম অমগী মতুং ইন্না ফকচেৎ পাম্বীগী অনৌবা মতোন অদু ঈশিংদা ফজনা ফুৎলগা লৌবা মহী অদু পীথকপদা অরুম-লাইহৌ তৌবা অদু হন্থহনবগী মথক্তা খোমজিংলিবী মমাদা চাং নাইনা পীথকপদা মমা অদুগী খোল্লাং অদু নীংথিজনা থোকহনবা ঙম্মী।

গুপ্তনা কুমজা ২০১৪দা পীখিবা পাউদম অমগী মতুং ইন্না ফকচেৎ পাম্বী শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু শম কেন্দনবা অমদি মপূং-মরৈ ফানা হৌহনবা ঙম্বা শমগী হীদাকশিং শাবদা মরুওইবা মচল অমা ওইনা শীজিন্নৈ। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুং ইন্না খরা লিরপ তৌরবা ফকচেৎ পাম্বী অদু ঈশিংদা ফজনা চামথোক্লগা শুগাইদুনা শেম্বা মলম অদু স্কেবীজ (**Scabies**) হায়না খঙনবা সার্কোপতীস স্কেবী মহীক অসিনা থোকহনবা উনশাগী লায়নাদা তৈদুনা লায়েংবা য়াই। মতাং অসিদা ঐখোয়না খঙজিনবা য়াবদি স্কেবীজনা নাবদগী ঐখোয়গী উনশা অদুদা য়াম্না হাক্কচবা অমদি মরেং-মরেং চৎপা ফাওহনলিবা অসি স্কেবীজগী মহীক **Sarcoptes scabiei** অসিনা উনশাদা লায়না পোকহনবা নত্তে। মসিদি মহীক অসিনা মীওইবগী উনশা অদু খোৎলগা উনশাগী হেক মখা থংবা শরুক্তা মরুম ময়াম অমা কোকশিনবদগী ঐখোয়না য়াম্না হাক্কচবা ফাওরিবনি। থোইদোক্লা পূক্লিং চিংশিনিঙাই ওইবা ৱাফম অমদা ফকচেৎ পাম্বী অসি অতোপ্পা পাম্বী খরগা য়ানশিন্নরগা শেম্বা হীদাক অদুনা মীওইবনা য়াম্না কিনরিবা লিভরদা নাহলিবা হেপাতাইটিস (**Hepatitis**) লায়না অসি লায়েংবা ঙম্মী হায়বগী পাউদম অসিনি। নুপীগী থাগী খোংকাপ চাং নাইদবদা ফকচেৎ পাম্বী অসি চুজাক্কা তোৎশিন্নরগা শেম্বা কেক অদু পীজবদা ফহনবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ।।◂◂

# কংলৈপাক্তা শেঙ্গা থুমজা

আর কে খুমন

**"I AM NOT WORTH PURCHASING, BUT SUCH AS I AM, THE KING OF GREAT BRITAIN IS NOT ENOUGH TO DO IT".**

"ঐ ইশাসি লৈবিবদা মতিক চাদে, লৈবা য়োনবদা য়ারে হায়রবসু গ্রেট বৃটেনগী নিংথৌ ফাওবা ঐবু লৈবা ঙম্বগী শেল লৈরোই"।

**- JOSEPH REED (1741-85).**

মথক্কী ৱাফমসি বৃটেনগী গভর্ণর জোর্জ জোনষ্টোননা অমেরিকান ৱার ওফ ইন্দিপেন্দেন্সনা য়াম্না কনখৎলকপা মতমদা জোসেফ রীদ হায়রিবা লুচিংবা অসিদা ঙসিদগী চহী ২২৪গী মমাঙদা পাউন্দ ১০,০০০ পীগে অমদি নঙনা বৃটেনগী কোলোনি অমদা হেক্তা পায়নীংবা অচৌবা ফম অমা নিংথৌদা খুদোল তমহনগে। অদুবু বৃটেন অমসুং অমেরিগী মরক্তা কায়থরক্লিবা অসি পূনশিন্নবা লাকনৌ হায়না হায়বা মতমদা জোসেফ রীদনা গভর্ণর জোর্জ জোনষ্টোন্দা পীখিবা পাউখুমনি।

মথক্কী কোটেসন অসিনা ঐখোয়দা করি ফোঙদোকপগে হায়বদা মতিক চাবা মী অমা হায়বসি মশানা মশাবু অহানবদা মশক খঙজগনি অমদি মী অমনা নৎত্রগা খুন্নাই অমত্তনা কৈদৌঙৈদসু লৈঙাক্কী মখাদা মতম চূপ্পদা লৈবা য়ারোই হায়বসিনি। মশানা মশাবু মশক খঙজবা মী অমনা কৈদৌঙৈদসু মীকুপ অমগী ওইবা অরং অররাক্তা ঙাওদুনা মশাগী ইকায়খুম্নবা অমদি মোরেলিটিবু য়োন্থোক্তুনা চারোই। ইশম শম্না হায়রবদা, মশাগী খুন্নাই পুৱারী লিক্লম খঙবা, মপানাৎ মপূনাৎতগী থংথরক্লিবা চৎন-লোনচৎ, হৌন-কাঙলোন খঙবা মী অমনা অতোপ্পগী পুৱারীবুসু হন্থনা য়েংলোই অমদি অচুম্বা ঈহৌ হৌরিবা খুন্নাই অমবু অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নগনি, মঙোন্দদি লন-থুম, সনা-লুপা, শেল, ইমোসন নৎত্রগা সেন্টিমেন্ট হায়বসিনা হুমদুনা পুবা ঙল্লোই, পূম্নমকসিগী মহুত্তা রিজন অমদি ওবজেক্টিভিটিগা থাগোন্নবা অশেংবা মরম হায়বসিনা ৱাখল ফিরেপকী য়ূম্ফম ওইগনি হায়বসিনি।

অমরোমদা মসিমসু খঙলে মদুদি ৱাখল মচা তাবা, মশানা মশক খঙজবা, লৌশিং লৈবা মী অমত্তনা কৈদৌঙৈদসু শেঙ্গা থুমজা (করপসন) হায়বসি য়াদে হায়বদি শেঙ্গা থুমজা হায়বসিনা মাবু হুমদুনা পুবা ঙমদে। অদুনা মতাংসিদা ঐখোয়না শেঙ্গা থুমজা হায়বসি খঙদবা য়ারক্তে লোয়ননা শেঙ্গা থুমজা হায়বসিনা মালেমগী খুন্নাইগী কাঙলোন কয়াৎনুংদা কদাইফাওবা হুৎচিন্দুনা চঙশিন্দুনা করম্না চাশিনবগে হায়বদুসু খঙদবা য়ারক্তে। মালেমগী ওইবা খুন্নাইগী কাঙলোনগা শেঙ্গা থুমজাগা লৈনরিবা মরী অসি নৈনবা হায়বসি য়াম্না পাক চাউবা হীরম অমনি অমদি মালেমদা মওং অমদা নৎত্রগা মওং অমদা শেঙ্গা থুমজা হায়বসি ঐখোয়না থেংনগনি। মসি মালেমদা খেন্ন-খেন্নবা মওং, অৱাং-অনেম নাইনা খুন্নাইদা চত্থরিবা থৌওং থৌদোক অমনি।

ইন্দিয়া নৎত্রগা কংলৈপাক্কী ফীভমদা ঐখোয়না শেঙ্গা থুমজা হায়বসি খরদং নৈনবদা থৌদৌ অসিগী মশক কয়া য়াম্না লৈবা, মমায় কয়া লোংবা অমদি মসি করিনো অমদি করম্না ওইরক্লিবনো হায়বদু ঐখোয়না খরা মখৈদি খঙবা ঙমগনি। অদু ওইরগদি শেঙ্গা থুমজা হায়বসি করিনো হায়বদু খঙগনি।

শেঙ্গা থুমজা (করপসন) করিনো?

ৱায়েল্লোন (লো) না য়াদবা পাম্বে কয়া শীজিন্নদুনা অশেংবা অচুম্বা হায়বসিদগী থৈদোকহন্দুনা অরানবা থবক অমবু মীকাবা য়াবা পোৎ চৈ নৎত্রগা শেল পীশিন্দুনা পাঙথোকহনবা অদুবু দিক্সনারিদা শেঙ্গা থুমজানি হায়না শন্দোক্লা তাকই। অদুগা নাকোয়ননা নৎত্রগা হকথেংননা মাগী ইমুংগী নৎত্রগা মহাক মশাগী শেলদা নৎত্রগা পোৎ চৈগী কান্নবা ফংনবগীদমক মীয়ামগী থৌগাই পুরিবা মীশক অমনা করিগুম্বা থবক অমবু তৌশিনবা নৎত্রগা হায়বসিসু শেঙ্গা থুমজা কৌগনি।

সী বি মেমোরিয়া হায়রিবা খুন্নাইগী মরমদা অইবা অসিনসু অসুম্না হায় - লৈঙাক্কী লোইশঙ নৎত্রগা খরা মরুওইবা ফম পায়রিবা মী অমনা মশাগী ওইজবা মওংদা ফৈরেং তুরেংননা পাঙ্গল (পৱর) শীজিন্নবা অমদি মওং অমদা অচুম্ববু নাথৈনবা হোৎনবা অসিসু শেঙ্গা থুমজানি।

''দি ফার ইষ্টর্ন ইকনমিক রিভিয়ু' হায়রিবা চেফোঙ অসিনা এসিয়াদা মরুওইনা ইন্দিয়াদা চত্থরিবা শেঙ্গা থুমজাগী থৌদৌ অসি উবদা মসিদি 'দি এসিয়া লুব্রিকান্ট' হায়না শেঙ্গা থুমজাবু খঙনবা হায় হায়না ফোঙদোকই, করিনা শেঙ্গা থুমজানা ইন্দিয়াগী খুন্নাই কাঙলোন্দা থাও থাকপগুম থাক্তুনা থবক থৌরম খুদিংদা চৎহন্দবা ফীভম অসি উবদগীনি। অমরোমদা, শেঙ্গা থুমজা হায়বসি মালেমগী খুন্নাই খুদিংমক্তা ফংবা থেংনবা সোসল ইভিলশিংগী মরক্তা অমনি। মসি খুন্নাই খরদনা অঙকপা ফংনা লাইচৎ অমদৌনা চথৈ অদুগা খরদনা মমীংতগী ওইনা লৈবা থেংনৈ।

লাইবক থীবদি কংলৈপাক্তদদি চাউথোক্লা হায়রবদা ইন্দিয়াগী মনুংদা হৌজিক হৌজিক্কী মতমসিদদি শেঙ্গা থুমজানা খ্বাইদগী শোকহল্লবা মফম অমনি হায়বা মালেম্না খঙনরি। ইন্দিয়ন পোলিটিক্স অসি ঙসিদি অঙকপা ফংনা লৈখা তারক্লিবা অসিসু শেঙ্গা থুমজা লৈবা লৈবাক অমনা ওইরুবসিনা য়াম্না চাউবা মরম অমনি।

কংলৈপাক্তা শেঙ্গা থুমজা লৈব্রা নৎত্রগা কংলৈপাক্তা করম্বা মতমদগী শেঙ্গা থুমজা তৌবগী চাং অসি হেনগৎলক্লিবনো হায়বনচিংবা অসি নৈনদ্রিঙৈগী মমাঙদা কংলৈপাক অসি নেসন ষ্টেট অমা ওইবগী নুংগী মচাশিং অদু ঙসি লৈরিবরা হায়বসি নৈনবনা হেন্না কান্নগনি। নেসন অমা ওইনা লেপ্পা ঙমদ্রবদি মখল কয়াগী শেঙ্গা থুমজা অসি অদুমক লৈফম থোক্লককই। ঐখোয়না অয়াম্বা মতমদা হৌজিকসু চাউথোক্লি মদুদি ইরমদম কংলৈপাক অসি চহী ২০০০ হেনবগী ওইবা পুৱারী লৈরবা লৈবাক খুন্নাই অমনি হায়না। চহী চা কয়াগী মমাঙদা হায়বদি ১১১০ এ দিদা ঐখোয়গী অইবা কন্সটিট্যুসন লোইয়ুম্বা সিনয়েন লৈরে, অপিকপা নিংথৌ লৈবাক কয়া পূনশিন্দুনা নেসন অমা ওইরক্লে অদুগা ঙসিনা করম্না নেসন অসিবু মরাই চাইথদুনা য়াম্না লৈখা তারবা লৈঙাক, শেঙ্গা থুমজা অমদি ওর্গেনাইজ ক্রাইম কয়াগা ইরোয়ননা লৈরিবনো হায়বদু নৈনবা য়াই।

নেসন অমা লৈরবদি, ওইরবদি শেন্মীৎলোন অমা য়াম্না থাক ৱাংবা ৱাংদবা লৈফম থোকই। শেন্মীৎলোন্দা করি করি য়াওগনি-

ইকনমি
- এগ্রিকলচর সেক্টর (প্রাইমারি)
- ইন্দষ্ট্রি সেক্টর (সেকেন্দরি)
- সার্ভিস সেক্টর (টেরিটরি)

প্রিন্সিপালিটিস কয়া পূনশিন্দুনা কংলৈপাক ষ্টেট অমা শেমখিবদগী কংলৈপাক্লা ইন্দিয়াদা তিনদ্রিঙৈ হায়বদি কুমজা ১৯৪৯ ফাওবা নেসন ষ্টেট অমা ওইবগী শেন্মীৎলোন অমা লৈরম্মী হায়বদি য়ং-য়ং লাউবা প্রাইমারি সেক্টর অমা লৈদুনা মশা মতোমতা কোনজবা এগ্রিকলচর ইকনমি অমা লৈজরম্মী। হৌজিক মতমগী য়াম্না চাওখৎলবা খূৎশু খূৎলায় শীজিন্নবা ইন্দষ্ট্রেল সেক্টর অমা লৈরমদ্রগসু, খূৎ-শা হৈবগী পোখোকশিং হায়বদি নুপীশিংনা য়ূমদা ফিশা-লোনশা তৌবা হায়বসি ইমুং খুদিংগীনি। অতোপ্পা অমনা মশা মতোমতা লেপচবা ঙম্বগী পোখোকশিং থুম-খোঙশিংদগী চাননবা থুম পুথোকপা, চফু শাবা কয়া তৌরম্মী। সার্ভিস সেক্টরদনা এগ্রারিয়ন ইকনমিদা য়ূম্ফম ওইবনা নিংথৌগী ৱায়েল থৌদা মখাদা লাল্লুপ শেমদুনা ইথৈ, খোং তৌবা-তেংবা, মীয়ামগী থক্লবা ঈশিং ফংফম পুখ্রিনচিংবা তৌবা পাঙথোকই অদুগা নুপা খুদিংমক ৱারিয়র অমমমনি করিনা য়ূমলোন্নবা লৈবাক খুদিংমক অয়াম্বা মতমদা লাল তৌনদুনা অমদি লান্দারকপদগী ঙাকথোকপা হায়বসি নুপা খুদিংগী থৌদাংনি অমদি লাল নত্তবা মতমদা খুন্নাইগী থৌদাং কয়া পাঙথোক্তুনা মশা মতোমতা মরন্নাই লেপচবা ঙম্বা লৈবাক্কী মনীংতম্বা মীয়াম ওইরকখি। মরম অসিনা ঙসিদি কংলৈপাক অসি পোলিটিকেল করপসন অমদি ওর্গেনাইজ ক্রাইমশিংদা নত্তনা হ্বাইট-কোল্লর ক্রাইম ওর সোসিও-ইকনমিক ক্রাইম কয়ানা য়োমশিন্দুনা য়েংহৈদবা ফীভম অমদা লৈরি।

কংলৈপাক্তা ঙসিদি য়াম্না মশক থোকপা শেঙ্গা থুমজা মখলশিংদি

১) ইম্পরিএলিষ্ট ওইবা শেঙ্গা থুমজা মখল অমা, মসিদদি লৈঙাক্কী খূত্থাংদা লমদমসিদা লৈরিবা মশাগী শেন্মীৎলোন থুগাইদুনা হৌরকফম তিন্নবা ফুরুপ কয়াবু উনবা য়াহন্দবা, খৎনহনবা, হাৎনহনবা অমদি লৈঙাক চূপলি পায়রিবা মখোয়দা চঙজহনবা।

২) হান্না লৈজরম্বা চৎনবী, ইনাৎ, হৌন-লোনচৎ পূম্নমক থুগাইদুনা মঙলান অমদা তাওহন্দুনা লৈহনবা অমদি মীগী মমাবু ইমানি খলহনবা, এদ্যুকেসন পীবা হায়রিবা মথক্তা পল্লিবা য়াম্না অৱাংবা থাক্কী শেঙ্গা থুমজা অসি লান্থোকখ্রবদি, মথংদদি কাঙলোন খরদা হায়বদি (এ) লৈঙাকপদা শেঙ্গা থুমজা অমসুং ওর্গেনাইজ ক্রাইম অমদি (বি) হ্বাইট কোল্লর ক্রাইম ওর সোসিও-ইকনমিক ক্রাইমশিংদা চমম্নহন্দুনা খুন্নাই অদু লৈতাহন্দনা লৈহনগনি।

কংলৈপাক্তসু মথক্তা পল্লিবা শেঙ্গা থুমজাগী মশকশিং অসি হৌজিক হৌজিক য়ং-য়ং লাউনা চত্থরিবনা হায়রিবা থৌদৌশিং অসি করিনো হায়বদু খঙদোকপা মথৌ তাই।

হৌজিক্কী ওইবা খুন্নাইশিংদা লৈঙাকপদা শেঙ্গা থুমজা হায়বসিনা ওর্গেনাইজ ক্রাইম হায়বদি ফজনা খন্থদুনা শিন-লাংদুনা ক্রাইম চত্থবা হায়বসিগী য়াম্না মরুওইবা শৌগৎলিবা মরম অমনি। অখঙ অহৈশিংনা অসুম্না হায় **"Political corruption and organised crime are so closely related that one cannot be considered without the other"**।

ঙসিদি কংলৈপাক্তা ওর্গেনাইজ ক্রাইম য়াম্না হেনগৎলে মদুদি ক্রিমিনেল এক্টিভিটিশিংগীদমক পাক শন্না ওর্গেনাইজেসন কয়া লীংখৎতুনা লৈরকপা অসিনা অচৌবা মরম ওইগনি। মখাদা পীরিবা মওংশিং অসিগী মনুংদা অমা হেক্তদা ওর্গেনাইজ ক্রাইম থোকপা য়াই।

(এ) রেকেটেরিং (অরানবা মওংদা শেল তানবা)

(বি) গেম্বলিং (জ্বার শান্নবা)

(সী) বুটলেগ্গিং (ৱায়েল্লোন কায়না অয়াবা য়াওদনা পোৎ শেম শাদুনা য়োনবা)

(দি) স্মগ্লিং (হুরান পোৎয়োন)

(ঈ) কিদনেপ্পিং (মী ফাদুনা শেলগা মন্তিক্লবা)

(এফ) রেপ (ফম্লানবা)

মথক্তা পল্লিবা ক্রাইমশিং অসিবু তৌরিবা মীশিংনা অমুকসু এন্টি-সোসল এক্টিভিটি কয়া হায়বদি হোটেলশিংদা ওক্তবী থমদুনা শেল তালহনবা, অথিংবা থল্লিবা মফমদা য়ু থাজিনবা, মমল য়াম্বা পোৎ চৈশিং হুরান-লানাদা পুশিন্দুনা য়োনবা, মাফিয়া গেঙ শেমগৎতুনা ৱায়েল্লোন্না য়াবা বিজিনেস কাঙলোন কয়াবু মখোয়গী খূবাম্মুংদা থমজিল্লকপা অসিনচিংবা অসি থেংনগনি। হায়রিবা ক্রাইমশিং অসি তৌবগী অচৌবা মরমদি লায়না শেল ফংনবগীদমক্তনি। ঙসিদি কংলৈপাক্তা থবক শূবা ঙম্বা নহারোলগী মীরোল কয়া পংথদুনা ময়াই কাবা পোৎলমগী ঈপাক্তা তাওহন্দুনা থল্লিবা অদুগা খরা অমনা ৱর্ক কলচর অমদি মোরেল হায়বসি করিসু নত্তবগুম খন্দুনা শেল তাল্লিবা অসিনি। অদুনা হায়রিবা ওর্গেনাইজ ক্রাইমশিং অসিগী থৌওংশিং অসিনা খুন্নাইদা য়াম্না চাউনা কাং-খোং চাইহনবগী চৈথেং অমা পী।

অমরোমদা হ্বাইট কোল্লর ক্রাইমস ওর সোসিও - ইকনমিক ক্রাইমশিং অসিদি ৱায়েল্লোনবু মপূং ফানা শিংনবা ক্রাইমশিংনি। মসিনা খুন্নাইদা হান্নবা চত্থরম্বা ক্রাইমশিং হায়বদি হুরানবা, শাগুন তৌবা, লন-থুম মৈ থাবা, মী হাৎপা, মী ফাবনচিংবা অসিগী মওংদদি য়াম্না শাথিবা হেল্লি। অদুনা হ্বাইট কোল্লর ক্রাইমনা মাঙহনতাকহনবসি য়াম্না পাক চাউবা হেল্লি। অমেরিকাদদি ক্রাইম মখল অসিনা চহীদা মাঙহল্লিবসি বিল্লিয়ন দোলর ২০০নি হায়না পাই।

হায়রিবা মথক্তা পল্লিবা অসি কংলৈপাক্তা ফমদোং য়াইতোংবা, ৱায়েল চূপলি পায়রিবা কাঙবুশিংনা কনানা পাঙথোকই হায়বদা মীয়াম্না শং-শংনা উরি। অদুনা ইশম শম্না ঐখোয়না ৱারোইশিন অমা হায়বদি কংলৈপাক্তা অৱাংবা থাক্কী শেঙ্গা থুমজা য়াম্না মপূং ফানা পাক শন্না চত্থরে হায়বসি য়েৎপা য়াদনা চুন্নে।

মরোল থোকপা লাই




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহৈবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।